# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 25-12-2024)

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০০ শুবা কুমওনদা ঙসি গুদ গভর্নান্স ডেগী থৌরম লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকখ্রে।

মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা শক্তি পীদুনা তুংগী পুন্সিদা অফবা ওইনবা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না আপীল তৌরি।

২) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা খৃষ্টমাস কুম্মৈ পাঙথোক্লি।

৩) সি.পি.আই লুচিংবা ডাঃ এম. নরানা হায়রি- অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা আর্ট এন্দ কলচরগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী অহানবা তুরেলশিং শমজিন্নবগী প্রোজেক্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়াগী যাত্রা হুনখ্রে, খরনা শঙ্গাখ্রে।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা হোৎনবদা সেন্ত্রেল আর্মদ পেরা মেলিটরি ফোর্সনা শিংথানিঙাই ওইবা থবক পাঙথোক্লি।

------

গুদ (এল)ঃ হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০০ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি গুদ গভর্নান্স ডেগী থৌরম লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা শক্তি পীদুনা তুংগী পুন্সিদা অফবা ওইনবা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না আপীল তৌখ্রে।

গুদ গভর্নান্স ডেগী থৌরম মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা দরবার হোলদদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এ ত্রিব্যুট টু অতল বিহারি ভাজপায়- ভারত রতা ওন সেন্টিনারি বার্থ এনিভর্সরি কৌবা লাইরিক অমা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মশাগী থৌদাং খঙনা, থম্মোয় শেংবগা লোয়নননা মীয়ামগী খনবা লৈঙাকলোন অমা নুমিৎ অসিনা লাকপদা নিংশিংহল্লি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা অতল বিহারি ভাজপায়গী লৈবাক অসিগীদমক তুং কোইনা চৎপা য়াবা ৱাখল্লোন কয়া হৌদোক্লমখি। মদুগী মনুংদা- ইশা ইরোমদোম লেপচবা ঙমবগী ৱাখল্লোন অসিনা ভারতপু চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা অচৌবা ঈথিল পীরি।

থৌরম অদুদা রাজ্য সরকারগী মন্ত্রিশিং অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি । ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না ত্রান্সপোর্ট বিভাগকী ফেসলেস নত্রগা কন্ টক্টলেস সার্ভিসসু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হৌদোকখি। থৌরম অসিনা রাজ্য অসিগী ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেমদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি হায়রি।

নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনসু শিন্দুনা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা, দল অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমদি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা কারিয়াকার্তশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌউ শিংউ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়না গনতন্ত্রবু চপ চানা ইকায় খুমবা উৎখিবা অমদি চাওখৎ থৌরাং য়াওনা জাতি অসিগী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্না হৌজিক্কী মীরোলদা অনৌবা ইনোৎ পীরি।

ফিস (এল)ঃ রাজ্যগী ফিসরি বিভাগনা শিনহৈবী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগা খুৎশমদুনা ঙামীশিংগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। কৈবুল লমজাউ ভিলেজদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা নেসনেল ফিসরিজ দিজিতেল প্লেটফোর্ম (এন.এফ.দি.পি)গী মখাদা পীবা ফিসরমেন কার্দ ঙামী ১০০ দা য়েন্থোকখি। থৌরম অদু কেন্দ্রগী ফিসরিজ বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপা প্রধান মন্ত্রি মটস্য কিষান সম্রিধি সহ য়োজনা (পি.এম-এম.কে.এস.এস.ৱাই)কী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। থৌরাং অসি ফিজিরি সেক্তরবু টেকোলোজিগী মতেং অমদি মতিক চাবা শেন্থুং পীদুনা হিরম অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী ৱাখল্লোনদা পায়খৎপনি

হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়গী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা গুদ গভর্নান্সকী থৌরমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন এম. অশিনিকুমারনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ঙামীশিংগী চাওখৎ থৌরাং কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। পি.এম-এম.কে.এস.এস.ৱাইগী মতেংনা ঙামীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহনবা ঙমহনগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

খৃষ্টামস(এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি খৃষ্টমাস কুম্মৈ পাঙথোক্লি। খৃষ্টানশিংনা প্রভু যিশু খৃষ্টতগী মপোক নুমিৎ অসিবু মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা হরাও তরাম্বগা লোয়ননা পাঙথোকরি।

রাজ্য অসিগী নীংথিনা লৈতেংলবা চর্চশিংদা লাইশোল থৌরম পাঙথোকপনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা থৌরম ওইরি। চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা চর্চশিংদা য়াম্লবা মীয়ামা লাইশোল থৌরম শরুক য়াদুনা কুম্মৈ অসি হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-যিশু খৃষ্টনা তম্বীরম্বা মচিন মনাও ওইবা

অমসুং মীওহবা জাতিগী য়াইফনবা তৌবা হায়বসিনা হেন্না ফবা মালেম ওইহন্নবগী লম্বী য়াৎকনি।

মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী ধনকরনা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈনা আশা, তোল্ল-তারবশিংবু নুংশিবীবা অমসুং কাংলুপ অমনা অমবু শৌগৎনবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিলহনগনি।

মনিপুরগী রাজ্যপাল-লক্ষন প্রসাদ অচ্যারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবশিং অমদি লুপ কয়ানসু কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

ফাউন্দেসন (এল)ঃ হান্নগী মন্ত্রি অমদি সি.পি.আই লুচিংবা ডাঃ এম. নরানা হায়রি- অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা আর্ট এন্দ কলচরগী অচৌবা থৌদাং লৈ। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী মতেংনা শান্তি হঞ্জিনহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ৱাফম অসি সঞ্চালি এ সেন্তর ফোর পার্ফোমিং আর্টসকী দাইরেক্তর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা গুরু লাতা থৌনাউজমগী ৬০ রক সুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। ঙসি জে.এন. মণিপুর দান্স একাদমিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডাঃ নরানা হায়- রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নরা হিংমিন্ননবা হোৎনবদা কলচর ফোর পিছ হায়বা ৱাফম অসিনা মাং থানা চংশিনবা তঙাইফদে।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী চীফ মেদিকেল ওফিসার য়াওনা ডোক্তর খরা মখোয়গী মহুৎ শিন্নবা থারক্তনা ত্রান্সফর তৌনবা ওর্দর থোরকপা অসি য়ানিংদে হায়না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মোনিটরিং কমিতি জিরিবামনা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসি জিরিবামদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কমিতি অসিগী কনভেনর এম. সদানন্দনা হায়- সি.এম.ও য়াওনা ডোক্তর খরা ত্রান্সফর তৌবদা অথিংবা লৈতে । অদুবু মমাংদগী হৌনা ডোক্তর মশিং য়ামদনা লৈরিবা

হোস্পিতাল অসিদা তঙাইফদবা ডোক্তরশিং থাবীরকপগী মহুৎতা হান্না লৈজরম্বশিং লৌথোক্লগা মহুৎ থারকপগী মমি তাদবা অসি লাইবক থিবনি। হোস্পিতাল অসিগী লৈরিবা অৱাৎপশিং য়াওনা মতিক চাবা ডোক্তরশিং থাবীরকউ হায়নসু সরকারগী পুকিং চিংশিনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা হায়রিবা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমলোইদবা ওইরবদি ত্রান্সফর ওর্দর ককপীয়ু হায়না তকশিল্লক্লি।

কছার (এল)ঃ যুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ২২ দগী থা অমা চুপা পাঙথোক্লিবা ১৯১ রক শুবা নেসনেল রিকন্সোলিদেসন থাবুম পালনগী মনুং চন্না ঙসি অসামগী মৈতৈ নিংথৌশিংনা লৈরম্বা কছারগী লেং ওনদবী পাৎতা ইকায় খুমবগা লোয়ননা থৌনি থৌরম পাঙথোকখি। ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোই হায়বা পান্দমদা পাঙথোকপা ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর (য়ু.সি.এম)গী প্রসিদেন্ট ৱাই.কে. ধিরেননা হায়- ইপা ইপুশিংনা লৌরম্বা থৌদাং নিংশিংদুনা ঐখোয় অমুক হন্না মচোই মচোই তাররোইশি হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোক্লিবা থাবুম পালন অসি মথং থাগী ৯ দা লংথবালদা লৈবা ইনিংথৌ গম্ভির সিংহ অমদি নরসিংহগী কোনুংদা পাঙথোক্কুনা লোইশিনগনি।

থৌরম অদুদা য়ু.পি.এফকী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রুপাচন্দ্রনা হায়- মফম অসি পুৱারীগা শাগোন্নবা মফম অমনি। মণিপুরদা অমুক হন্না খুন্তাকহন্দনবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। চহি ৭ খুন্তাকপগী মতমদা ইপা ইপুশিংনা কন্না হোৎনদুনা মণিপুরবু অমুক হন্না নিংতমহল্লম্বা অদুগুমা হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি কোকহন্নবা ঐখোয় খুদিংমকা থৌনা লিংজেল পুথোক্কুনা হোৎনমিন্নশি হায়না মহাকা আপীল তৌখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা ওল অসাম মণিপুরী মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ, ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, লেং ওনদবী পাৎ প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কমিতি কছার, অৱা পল্লি খুভম কনবা লুপ কমঙ্গা, মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট ওফ অসাম অমসুং থৱায় মীরেলগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

পরিষদ (এল)ঃ   মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবালগী ৱাংজিং ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ২২ সুবা চহিগা মীফমগা লোয়ননা চেফোং অমসুং লাইরিক ফোংবগী থৌরম অমা খোরিরোল শঙলেন ৱাংজিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী মনুং চন্না মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবালগী চহিগী খোরিরোলগী চেফোং- খোরি ইহুল ফোংখি। মসিগা লোয়ননা অতোপ্পা লাইরিক অহুমসু ফোংখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট লোংজম জয়চন্দ্র য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ   অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাগী পিনজাং খুলগী খুঞ্জাশিংদা তঙাইদনা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ৱারবা মতম অসিদা মতেং পাংবীবগীদমক খুঞ্জাশিংনা অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মোদি ঃ   হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মধ্য প্রদেসতা লৈবাক অসিগী অহানবা তুরেলশিং শমজিন্নবগী প্রোজেক্ট কেন-বেটৱা রিভর লিঙ্কিং প্রোজেক্টকী যাত্রা হুনখ্রে। প্রোজেক্ট অসিনা মধ্য প্রদেশকী লৌফম হেক্তর লাখ ৮ হেনবদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মসিনা উত্তর প্রদেশকী লৌফম হেক্তর লাখ ২ মখায় হেনবদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী মীওই লাখ ২১ দা থকবা ঈশিং ফংহল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী ওমকারেশোর ফ্লোতিং সোলর প্রোজেক্টসু শঙ্গাখি অমসুং অতল গ্রাম শুসাসন ভবন লিশিং ১,১৫৩ শানবা যাত্রা হুনখি। প্রধান মন্ত্রিনা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায় নিংশিং ষ্টাম্প অমসুং কোইন পুথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- গুদ গভর্নান্স হায়বসি বি.জে.পিগী ওইনদি নোংমখক্তগী থৌরম নত্তে, অদুবু সরকার অসিবু শক তাক্লিবা থৌরমনি। বি.জে.পি সরকারবু অতৈ সরকারশিংগা চাংদমরদুনা শ্রী

মোদিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা অফবা লৈঙাক সাসন ওইহন্নবা অমসুং মীয়ামগীদমক কৎথোক্তুনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

অমরোমদা, হন্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০০ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি গুদ গভর্নান্স ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা দিফেন্স সেক্রেটরি রাজেশ কুমারনা রাষ্ট্র পর্বা ৱেব সাইট অমসুং এপপ হৌদোকখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সি.আর.পি.এফ)কা হেদক্কাটরসতা চত্তুনা ফোর্স অসিগী থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখ্রে। থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী ইন্তরনেল সেক্যুরিতি অমসুং শান্তি রক্সা ঙাকবা হোৎনবদা সি.আর.পি.এফনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- নক্সলাইট থেংনবা অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগা লোয়ননা জম্মু কাশ্মীরদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকপদা সেন্ত্রেল আর্মদ পেরা মেলিটরি ফোর্সনা শিংথানিঙাই ওইবা থবক পাঙথোক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সি.আর.পি.এফকী দাইরেক্তর জেনেরেল অনিস দয়ালনা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা জৱানশিংগী ইমং মনুংগীদমক পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং অমসুং সি.আর.পি.এফকী কম্পেসনেট এপ্লোইন্ টমেন্টকী মতাংদসু গৃহ মন্ত্রিদা পাউদমখি।

এনদিএ ঃ এন.দি.এ সরকারগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দাগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং- অমিত সাহ, রাম মোহন নাইদু কিনজরাপু, ঐচ.দি. কুমারা স্বামি, রাজিভ রঞ্জন সিংহ, কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি- অনুপ্রিয়া পাতেল, অন্ধ্র প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি চন্দ্রবাবু নাইদুনচিংবা শরুক য়াখি। মীফম অসি সরকারগা চৎমিন্নরিবা রাজনীতি দলশিংগী মরী ফগৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট(এল)ঃ মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ব্লু হোক খুরাই লমলোংনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু রন ১৫ দা মায়থিবা পীখ্রে। মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ব্লু হোক্কী ৱাকস্বম শামসন্না প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

তুরনামেন্ট অসিগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা কে.এ.এস.সি খোমিদোকনা পি.এস.সি খোয়াথোংবু রন ৫৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। প্লেয়ার ওফ দ মেটচনা কে.এ.এস.সি খোমিদোক্কী মোহমদ জবেদ আখতরনা তাখ্রে।

অমরোমদা ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ওস্কার পাউনা বজারনা কে.আই.ৱাই.সি ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ১ দা মায়থিবা পীখ্রে। ওস্কারগী পাৱন কুমার ৱাহেংবমনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখ্রে। লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা এম.পি.এ থৌনাউজমনা কে.সি.দি.ও কোংপালবু রন ৫৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। এম.পি.এগী হুইদ্রোম ধনাশ্যামনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেম্প খাগেমপল্লিনা ৱাই.সি.সি ৱাংখৈবু রন ৮৫ দা মায়থিবা পীখ্রে। চেম্পকী বাব্লুনা মেন ওফ দ মেটচ তাখ্রে।

সাইকল (এল)ঃ তামিলনাদুগী কোইম্বেতোরদা থা অসিগী ২৭ তগী হৌগদৌরিবা ২৫ শুবা সেনিয়র নেসনেল সাইকল পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ অমসুং ফেদরেসন কপকীদমক শরুক য়ানবা মণিপুরগী সাইকল পোলো টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

সন্তেসঃ হাইদ্রবাদকী দেকান এরেনাদা চখ্থরিবা ৭৮ শুবা সেনিয়ার মেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফি-২০২৪-২৫ কী ক্বাটর ফাইনেলদা মণিপুর অমসুং দিল্লি হয়েং নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নরগনি।

সেপাক তাক্রৌ (এল)ঃ কেরলানা য়ুম্বু ওইদুনা চখ্থরিবা ২৭ সুবা সব-জ্নিয়র বোইজ এন্দ গার্লস নেসনেল সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ গী ক্বাট ইভেন্টতা মণিপুরগী নুপীমচা অমদি নুপামচা টিম ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে। ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটতা মণিপুরগী নুপীমচা টিমনা মহারাষ্ট্রবু মায়থিবা পীখি। মণিপুরগী নুপামচা টিমনা দিল্লিবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

------